# নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিনখিবা অমা অমুক কাপ্তুনা হাৎখ্রে

ৰেষ্ট বেঙ্ক, জুলাই ৩০ (এজেন্সী) :
হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিত্তা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সকী মায়োক্তা মীয়াম্না খোঙজং চঙশিনখ্রবা মতুং ইকান কান্নদনা থবক মফমদগী ময়ুম তান্না হল্লকখিবা পেলিষ্টিনিয়ন অমা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুবু মীয়াম্না অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঙরাং মীহাৎ অদুগী মায়োক্তা চঙশিল্লকখিবা খোঙজংদা শরুক য়াখিবা মীওই অমসু ইজরেলি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে হায়না পেলিষ্টিনিয়ন হেল্থ মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোরক্লি।



লৈবাকপোকপা নুমিত্তা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোক্লবগীদমক ঙরাং ৰেষ্ট বেঙ্ককী মনুং চনবা বৈতাদা মশীং য়াম্লবা মীয়াম পুনখি। অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপগী থৌরমদা শরুক য়াবা লাকখিবা পেন্দবনা থল্লবা মীওইশিং অদুনা অমুক হন্না ঈহৌ শাগৎলক্নুনা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংগী মায়োক্তা খোঙজং চঙশিল্লকখি।

খোঙজং চঙশিনখিবা মীয়াম অদুবু কন্ট্রোল তৌবগী মিংদা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা লাইফ রাউন্দ কয়া পেলিষ্টিনিয়ন প্রোটেষ্টরশিং তম্না কাপখি। মদুদা মশাগী চহী ২০ লোম শুরবা শোকট খালিদ মকোক অমসুং পুককী শরুক্তা নোংমৈনা পানবদগী শিখিবনি হায়রি। ওকুপাইদ ৰেষ্ট বেঙ্কতা সিক্যুরিটি ফোর্সনা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবা মীওই অদুগী অরোইবা মথৌ মঙম পাঙথোকপদা শরুক য়ানবা লাকখিবা মীওই কয়া অদুবু তানখায়নবা হোৎনবদা ইজরেলি লান্মীশিংনা টিয়ার গ্যাস সেল, রব্বর কোটেদ বুলেটশিং অমদি ষ্টন গ্রেনেদ কয়া কাপখি। অমরোমদা হৌখিবা য়ুমশকৈশা নুমিত্তসু ইজরেলি লান্মীশিংনা ৰেষ্ট বেঙ্ককী বৈট উমরদা মপাগা লোয়ননা কারদা লাকখিবা মশাগী চহী ১২ খক ঙাইরিবা অঙাং অমসু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখি।

চহী নৌরিবা মহমদ অল-অলামি নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌওং অদুবুসু পেলিষ্টিনিয়ন কয়ানা পেন্দবা ফোঙদোরকপগা লোয়ননা লম্বীদা থোরক্তুনা খোঙজং চঙশিনখি। অমরোমদা ইজরেলি সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না চহী নৌরিবা পেলিষ্টিনিয়ন অমা নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবগী থৌদোক অদুগী মতাংদা থিজিনবগী থবক চথরি। মফমদুদা চিংনবা য়াবা মীওই খরা চথোক চৎশিন তৌবগী পাউ ফংলবা মতুং সিক্যুরিটি ফোর্সশিং মথৌ তৌদুনা লৈখিবনি। অদুমওইনমক চহী নৌরিবা নহা অমা শিখিবা অদুগীদমক্তদি চপ চানা ইনক্বাইরি চথগনি হায়না ইজরেলি ফোর্সকী মকোক থোংবা ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি।


## ঈচাওনা মরম ওইরগা রিফ্যুজি কয়া লৈফম লৈহনখিদ্রে

ধাকা, জুলাই ৩০ (এজেন্সী):
নোংজু থাগী মতম লাকপগা লোয়ননা বংলাদেশকী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চুখিবা অকনবা নোংনা লৈবাক অদুদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা রোহিংজা মুস্লিম কয়াগী কেম্পশিংদা ঈশিং থুমজিল্লকপনা মরম ওইরগা রিফ্যুজি কয়াগী লৈফম লৈহনখিদ্রে হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্স অমসুং অতোপ্পা ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেটর মমুনুর রসিদনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না কোক্স বজারদা থোকখিবা ঈচাওনা মরম ওইরগা চহী নৌরিবা অঙাং ৩ য়াওনা রোহিংজা ৬ শিহনখ্রে। অদুগা লেন্দ স্লাইদকী থৌদোক অমদা বংলাদেশী ১৫ শিহনখ্রে। মীওই লাক্ষ ২ রোম হেন্না ঈচাওনা চৈথেং পীখিবগী অৱাবা মায়োক্লন্দুনা লৈরি। কোক্স বজারদা লৈরিবা রোহিংজা রিফ্যুজিশিংনা লৈরিবা কেম্প অমসু ঈশিং থুমজিনখিবদগী রিফ্যুজি কয়াগী লৈফম লৈহনখিদ্রে। খুদক্কী ওইনা বংলাদেশ গভর্ণমেন্টনা রিফ্যুজি শিংগীদমক হৌজিক ফাওবগী ওইনদি থবক অমত্তা পায়খৎলকপা লৈত্রি। পনবা য়াবদি কোক্স বজার অসি মালেমগী ওইনা রিফ্যুজি খ্বাইদগী মশীং য়াম্না লৈরিবা মফম অমনি।

# চিকনপোক্সকুম্না দেলটা ভেরিয়েন্টসু পাক্তক্লনা শন্দোরকপা য়ানা লৈরি

ন্যু য়োর্ক, জুলাই ৩০ (এজেন্সী) :
কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা মমাং মতমদা লৈরম্বা য়াম্না থুনা অমদি ইরাই লায়না শন্দোক্লনবা ভাইরস চিকনপোক্সকুম্না মালেম পুম্বদা থুনা য়াঙনা শন্দোরক্তুনা য়াম্না চাওবা চৈথেং অমা পীরবা য়াবগী অকিবা খম থেংনা লৈরে হায়না য়ু এস হেল্থ ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।



য়ু এস হেল্থ ওথোরিটিগী ইন্তরনেল দোক্যুমেন্ট অমগা মরী লৈননা য়ু এস মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোকখিবা য়ু এসতা লৈবা সেন্তর ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সননা চথখিবা রিসার্চ অমগী মতুং ইন্না ইন্দিয়াদা ইহান হান্না আইদেন্টিফাই তৌখিবা দেলটা ভেরিয়েন্ট অসি কোভিদ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওইশিংদা শন্দোকপগী চাং অদুগা মান্ননা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকখ্রবা মীওইশিংদসু শন্দোকপা ঙম্মী।

মরম অদুনা মীয়াম্না কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎ অসি তরাইনা লৌরোইদবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি লায়না লাইচৎ অসিবু লায়েংনবগীদমক খুৎলাই নৎত্রগা হীদাক অমত্তা পুথোকপা ঙমদ্রি। দেলটা ভেরিয়েন্টনা নাহল্লবা মীওই অমবু শ্বর হোনবা মতমদা খুদোংচাহন্নবগীদমক ওক্সিজেন থাজিনবা নৎত্রগনা অতোপ্পা মতম অমদা চারম্বা এন্টি বাওটিককুম্বা হীদাক খরা চাবা অসিনা লায়না লাইচৎ অসিবু কন্ট্রোল তৌবদি ঙল্লোই। মীয়াম্না য়াম্না চেকশিনগদবদি দেলটা ভেরিয়েন্ট অসি মালেমগী লৈবাক কয়ানা ঙল্লিঙৈ মতমদা থেংনখিবা এম ঈ আর এস, এস আর এ এস, ইবোলা, কম্মন কোল্দ, সিজনেল ফ্লু অমদি স্মোল পোক্সতগী হেন্না থুনা য়াঙনা শন্দোকপা ঙম্বা অসিনি। মীয়াম্না বি.১.৬১৭.২ হায়রগসু খঙনরিবা দেলটা ভেরিয়েন্টনা নাহল্লবা মীওই অমদা অতোপ্পা মখলগী লায়নাশিং য়াম্না লায়না নাহল্লকপা য়াবগী অকিবসু লৈরি।

অমরোমদা সেন্তর ফোর দিজিস কন্ট্রোল এন্দ প্রিভেন্সনগী ৰাঙাঙলোয়সু ওইরিবা ডা. ৰালটর ওরেন্সটেননা ফোঙদোকখিবদা অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসিনা ভেক্সিন কাপ্পবা মীওইশিংদা ইনফেক্ট তৌবা ঙম্লবসু ভেক্সিন কাপ্তবা মীওইশিংদগীদি কান্নবা য়াম্না হেল্লি। ভেক্সিন কাপখ্রবা মীওইশিংদা ভেরিয়েন্ট অসিনা নাহল্লবসু অতোপ্পা লায়নাশিংনা নাহল্লক্কদবদগী চাদা ৯০ ঙাকথোকপা ঙম্মী। মরম অসিনা ভেক্সিন কাপথোক্লবা মীপুম খুদিংমক্না হোৎনগদবনি।

## দেলটা ভেরিয়েন্টনা মিদল ইষ্টতা মরিশুবা ৰেভ থোকহল্লকপা য়ানা লৈরে

ন্যু য়োর্ক, জুলাই ৩০ (এজেন্সী) :
মিদল ইষ্টতা কোভিদ ভেক্সিনেসনগী থবক থৌরম কা হেন্না তপ্পনা মরম ওইরগা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটানা হায়রিবা মিদল ইষ্টকী মনুং চনবা লৈবাকশিং অসিদা কোভিদ-১৯ গী মরিশুবা ৰেভ থোকহল্লকবা য়াবগী অকিবা লৈ হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা ফোঙদোরক্লি।

গ্লোবেল হেল্থ বোদি অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুং ইন্না কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট অসি য়াম্না শন্দোক্লনবনা মরম ওইরগা খুদোংথিনিংঙাই ওই। মিদল ইষ্টতা পুন্না লৈবাক ২২ লৈবগী মনুংদা লৈবাক ১৫ দা দেলটা ভেরিয়েন্টনা চৈথেং পীরকপা হৌখ্রে। মিদল ইষ্টতা দেলটা ভেরিয়েন্টনা মীশি মীনা থোকহনবগী চাংসু নোংম নোংমগী হেনগৎলক্লি। হায়রিবা রিজন অসিদা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইরম্বগীদমক পুখৎলকখিবা অয়াম্বা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপথোক্ত্রিবা মীওই ঙাক্তনি। মরম অদুনা মিদল ইষ্টতা কোভিদ ভেক্সিন খুমাং য়াঙশিন্না কাপথোকহৌদ্রবদি মরিরকশুবা ওইনা অকনবা চৈথেং শুংশোই শোয়দনা পীরক্লগনি হায়না ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাসজেসনগী ইষ্টর্ন মেদিটেরানিয়ন রিজনগী দিরেক্টর অহমদ অল-মনধারিনা ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইগেসনগী রিপোর্ট মতুং ইন্না মিদল ইষ্টকী লৈরিবা মীওইশিংগী অপুনবা মীশিংগী চাদা ৫.৫ খক্তমক কোভিদ ভেক্সিনগী ফুল দোজ কাপখ্রে। লেমহৌরিবশিং অদুদি হৌজিকসু ভেক্সিন কাপথোক্ত্রি। অতোপ্পা রিজনগা য়েংনরুবদা মিদল ইষ্টকী ভেক্সিনেসনগী চাং অসি অদুক্কী মতিক নেম্মি হায়রি।

## অফঘান ইন্তরপ্রিটরশিং পুদুনা পাইরকখিবা অহানবা ফ্লাইট য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা থুংলখ্রে

ৱাশিংটন, জুলাই ৩০ (এজেন্সী) :
য়ু এস ক্রুপশিংনা অফঘানিষ্টানদা লৈদুনা চহী ২০ লোম টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা চথরকখিবা কাউন্টর টেরোরিজম ষ্ট্রাইকশিংদা য়ু এস ক্রুপশিংগী মতেং পাংদুনা ইন্তরপ্রিটর ওইনা থবক তৌরকখিবা অফঘান মচাশিং য়ু এস ক্রুপশিংনা লৈবাক অদু থাদোকপা হৌখ্রবা মতুং টালিবানশিংগী থ্রেট লাকপা য়াবগী অকিবা লৈবনা মরম ওইরগা য়ু এসতা পুথোরকপগী থবক চথবা হৌখিবগা লোয়ননা অফঘান ইন্তরপ্রিটরশিং পুরকখিবা অহানবা ফ্লাইট য়ু এসতা ঙসি থুংলরে হায়না প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা ফোঙদোরক্লি।



হৌখিবা কুমজা ২০০১ গী সেপ্তেম্বর ১১ দা অফঘানিষ্টাননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসতা চথরকখিবা এটেক অদুগী পাউখুম পীবা ওইনা য়ু এস ক্রুপশিংনা অফঘানদা লৈদুনা টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা অকনবা লান দাশিং চথবা হৌখিবনি। মদুদা য়ু এস ক্রুপশিংগীদমক অফঘান ২০,০০০ লোম্না থবক তৌখি। অদুমওইনমক চহী ২০ হেন্না য়ু এস ক্রুপশিংনা অফঘানদা লৈরম্লবা মতুং প্রসিদেন্ট বাইদেনগী ওর্দর মতুং ইন্না লৈবাক অদু থাদোকপা হৌখিবনি। য়ু এস ক্রুপশিংনা অফঘান থাদোকপা হৌখ্রবা মতুং মখোয়গীদমক থবক তৌরম্বা ইন্তরপ্রিটরশিংগী পুন্সিদা খুদোংথিবা লাক্কদবশিং অদুগী য়েংলগা মখোয়বু য়ু এসতা পুরকপা হৌখিবনি।

## মীয়াম্না লোকদাউনগী চৎনা কাঙলোনশিং থুগাইরকপদগী আর্মী দিপ্লোয় তৌনবা শেম শাখ্রে

সিদনি, জুলাই ৩০ (এজেন্সী) :
ওষ্ট্রেলিয়াগী খ্বাইদগী চাওবা সিটি ওইরিবা সিদনিদা চয়োল ৫ অকনবা লোকদাউন চথখ্রবা মতুং অমুক হন্না লোকদাউন শাংদোরকখিবা অদুবু মীয়াম্না য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ঙসি খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শাবা হৌরকপা মতমদা সিক্যুরিটি ফোর্সনা মতম চানা কন্ট্রোল তৌহৌবদগী মীয়ামগী খোঙজং মায় পাকখিদ্রে। অদুমওইনমক মফম মফমদা লৈঙাক্লা থমখিবা কোভিদ-১৯ গা মরী লৈনবা চৎনা কাঙলোন অমদি লোকদাউন থুগাইদুনা মীওই কয়া থোক্লরক্লিবা অদুবু কন্ট্রোল তৌনবগীদমক সিদনিদা আর্মী দিপ্লোয় তৌনবা শেম শারে হায়রি।

য়াম্না লৌনগনবা দেলটা ভেরিয়েন্টনা সিদনিদা চৈথেং পীবা হৌখ্রবা মতুং ওথোরিটিশিংনা সিদনি সিটিদা অকনবা লোকদাউনশিং থমজিনখিবনি। মতম শাংনা লোকদাউন চথরকপনা মরম ওইরগা সিটি অদুদা লৈরিবা মীয়ামশিং খুদোংচাদবা মায়োক্লরি। অদুমওইনমক লায়না লাইচৎ অসি কন্ট্রোল তৌনবগীমক তঙাইফদনা থমজিনখিবনি হায়না ন্যু সাউথ ৱেলসকী পুলিস কম্মিসনার মিক ফ্যুলরনা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা পুলিসকী থবক থৌরমশিংদা মতেং পাংনবগীদমক ওষ্ট্রেলিয়ন আর্মী পর্সনেল ৩০০ লোম সিদনিদা দিপ্লোয় তৌরগনি হায়রি।

## মালেমদা কোভিদনা শোকহল্লবা লৈবাকশিং

| # | Country, Other | Total Cases | New Cases | Total Deaths | New Deaths | Total Recovered | Active Cases |
|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | World | 197,319,464 | +661,380 | 4,213,984 | +10,464 | 178,492,283 | 14,613,197 |
| 1 | USA | 35,584,272 | +92,485 | 628,492 | +398 | 29,626,754 | 5,329,026 |
| 2 | India | 31,571,295 | +44,673 | 423,244 | +549 | 30,736,241 | 411,810 |
| 3 | Brazil | 19,839,369 | +41,853 | 554,626 | +1,354 | 18,569,991 | 714,752 |
| 4 | Russia | 6,218,502 | +23,270 | 156,977 | +799 | 5,568,363 | 493,162 |
| 5 | France | 6,079,239 | +25,190 | 111,764 | +29 | 5,691,952 | 275,523 |
| 6 | UK | 5,801,561 | +31,117 | 129,515 | +85 | 4,488,894 | 1,183,152 |
| 7 | Turkey | 5,682,630 | +22,161 | 51,184 | +60 | 5,443,501 | 187,945 |
| 8 | Argentina | 4,905,925 | +14,115 | 105,113 | +291 | 4,542,904 | 257,908 |
| 9 | Colombia | 4,766,829 | +9,690 | 120,126 | +325 | 4,557,829 | 88,874 |
| 10 | Spain | 4,422,291 | +26,689 | 81,442 | +46 | 3,707,914 | 632,935 |
| 11 | Italy | 4,336,906 | +6,171 | 128,029 | +19 | 4,130,393 | 78,484 |
| 12 | Iran | 3,826,447 | +34,433 | 90,074 | +292 | 3,329,065 | 407,308 |
| 13 | Germany | 3,772,307 | +2,766 | 92,131 | +25 | 3,650,900 | 29,276 |
| 14 | Indonesia | 3,331,206 | +43,479 | 90,552 | +1,893 | 2,686,170 | 554,484 |
| 15 | Poland | 2,882,633 | +170 | 75,257 | +5 | 2,653,529 | 153,847 |
| 16 | Mexico | 2,790,874 | +19,028 | 239,616 | +537 | 2,181,291 | 369,967 |
| 17 | South Africa | 2,422,151 | +13,626 | 71,431 | +523 | 2,194,762 | 155,958 |
| 18 | Ukraine | 2,250,907 | +846 | 52,916 | +25 | 2,185,849 | 12,142 |
| 19 | Peru | 2,108,595 | +722 | 196,214 | +76 | N/A | N/A |
| 20 | Netherlands | 1,859,199 | +4,415 | 17,815 | +3 | 1,666,554 | 174,830 |
| 21 | Czechia | 1,673,226 | +194 | 30,363 | | 1,640,000 | 2,863 |
| 22 | Chile | 1,613,288 | +1,371 | 35,295 | +119 | 1,568,294 | 9,699 |
| 23 | Iraq | 1,603,787 | +13,259 | 18,533 | +49 | 1,447,160 | 138,094 |
| 24 | Philippines | 1,572,262 | +5,710 | 27,577 | +176 | 1,488,328 | 56,357 |
| 25 | Canada | 1,429,579 | +896 | 26,575 | +5 | 1,397,037 | 5,967 |
| 26 | Bangladesh | 1,226,253 | +15,271 | 20,255 | +239 | 1,050,220 | 155,778 |
| 27 | Belgium | 1,121,089 | +2,059 | 25,231 | +1 | 1,058,072 | 37,786 |
| 28 | Sweden | 1,099,414 | | 14,618 | | 1,075,469 | 9,327 |
| 29 | Romania | 1,082,880 | +170 | 34,277 | +1 | 1,047,528 | 1,075 |
| 30 | Malaysia | 1,078,646 | +17,170 | 8,725 | +174 | 890,742 | 179,179 |
| 31 | Pakistan | 1,020,324 | +4,497 | 23,209 | +76 | 937,354 | 59,761 |
| 32 | Portugal | 963,446 | +3,009 | 17,330 | +10 | 894,555 | 51,561 |
| 33 | Japan | 892,021 | +9,305 | 15,160 | +8 | 827,372 | 49,489 |
| 34 | Israel | 869,063 | +1,823 | 6,466 | +4 | 847,076 | 15,521 |
| 35 | Hungary | 809,427 | +65 | 30,025 | | 747,512 | 31,890 |
| 36 | Jordan | 769,390 | +1,008 | 10,010 | +10 | 749,676 | 9,704 |
| 37 | Serbia | 721,267 | +292 | 7,110 | +2 | 710,372 | 3,785 |
| 38 | Switzerland | 716,865 | +827 | 10,906 | +3 | 691,972 | 13,987 |
| 39 | Nepal | 690,642 | +2,335 | 9,807 | +16 | 650,445 | 30,390 |
| 40 | UAE | 677,801 | +1,550 | 1,939 | +5 | 655,183 | 20,679 |
| 41 | Austria | 658,004 | +503 | 10,737 | | 642,229 | 5,038 |
| 42 | Morocco | 606,871 | +8,995 | 9,697 | +32 | 552,983 | 44,191 |
| 43 | Tunisia | 582,638 | +3,676 | 19,336 | +309 | 499,664 | 63,638 |
| 44 | Thailand | 561,030 | +17,669 | 4,562 | +165 | 370,492 | 185,976 |
| 45 | Lebanon | 559,473 | +1,104 | 7,900 | +3 | 536,805 | 14,768 |
| 46 | Kazakhstan | 557,107 | +7,479 | 5,704 | +85 | 462,912 | 88,491 |
| 47 | Saudi Arabia | 523,397 | +1,289 | 8,212 | +12 | 503,827 | 11,358 |
| 48 | Greece | 487,709 | +2,694 | 12,911 | +9 | 440,313 | 34,485 |
| 49 | Ecuador | 485,673 | +426 | 31,549 | +47 | 443,880 | 10,244 |
| 50 | Bolivia | 470,929 | +905 | 17,754 | +38 | 404,509 | 48,666 |

## চাইনাদা অমুক হন্না লোকদাউন থমজিল্লবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে



বৈজিং, জুলাই ৩০ (এজেন্সী) :
রসিয়াদগী চাইনাদা পাইরকখিবা প্লেন অমা শেংদোক শেংজিন তৌবদা য়াওখিবা মীওই অমা ইন্দিয়াদা ইহান হান্না আইদেন্টিফাই তৌখিবা কোভিদ-১৯ গী অনৌবা ভেরিয়েন্ট দেলটা পোজিটিভ ওইরম্বা থেংনখ্রবা মতুং চাইনাদা লোকদাউন থমজিল্লবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে হায়না মরী লৈনবশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ৱর্ল্ড হেল্থ ওর্গনাইজেসননা দেলটা ভেরিয়েন্ট অসি য়াম্না থুনা শন্দোক্লনবা অমদি চাইনাদগী ইহান হান্না হৌরকখিবা কোরোনা ভাইরসতগী মপাঙ্গল য়াম্না কল্লি অমদি লাইচৎ অসিনা মালেমগী মফম খুদিংমক্তা চৈথেং পীরিবা য়াই হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং চাইনাদা চৈথেং পীবা হৌরকখিবনি। চাইনা খক্তা নত্তনা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাকশিংদসু দেলটা ভেরিয়েন্টনা চৈথেং পীবা হৌখ্রবনি। নাঞ্জিং সিটিদা দেলটা ভেরিয়েন্ট পোজিটিভ ওইবা মীওই অমা থেংনখ্রবা মতুং জিয়াংসু প্রোভিন্সতা লোকদাউন থমজিনখ্রে। বৈজিংগী চানপিং দিষ্ট্রিক্টতসু মরী লৈনবশিংনা লোকদাউন লাউথোকখ্রে।

চাইনা খক্তা নত্তনা ওষ্ট্রেলিয়া, পাকিষ্টান, য়ু কে য়াওনা অতোপ অতোপ্পা লৈবাক কয়াদা দেলটা ভেরিয়েন্টনা চৈথেং পীবা হৌখ্রবনি। ওষ্ট্রেলিয়াগী ওইনসু লৈবাক অদুগী মরু ওইবা সিটিশিংদা দেলটা ভেরিয়েন্টনা অকনবা চৈথেং পীরকখিবদগী লোকদাউন থমজিনবা হৌখ্রবনি। মীয়াম্নসু দেলটা ভেরিয়েন্টতগী য়াম্না চেকশিনগদবনি হায়না দব্লিউ এইচ ওনা ফোঙদোরক্লি।

## অফঘান পুলিস ওফিসর তমথিনা হাৎখি হায়বা ৱাফম টালিবাননা য়াজখ্রে

কানধাহার, জুলাই ৩০ (এজেন্সী) :
মশাগী মথৌ লোইরবা মতুং ময়ুমদা হল্লকখিবা অফগান পুলিস ওফিসর অমা তমথিনা ওৎ নৈদুনা হাৎখিবগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকখ্রবা মতুং থৌদোক অদু টালিবান ফাইটরশিংনা চথখিবনি হায়বা য়াজখ্রে হায়না লোকেল ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওথোরিটিশিংনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না চয়োল অনীরোমগী মমাংদা পুলিস ওফিসর ফজল মহমদ লম্বীদা হল্লকপগী ময়ুমদা টালিবান ফাইটরশিংনা ফাদুনা পুখিবনি। মদুগী মতুং সোসল মীদিয়াদা পুলিস ওফিসর অদুবু য়াম্না তমথিনা ওৎ নৈবীবগা লোয়ননা হাৎতোল্লবা মতুং মহাক্কী অশিবা হকচাং অদুদা য়েংবদা নুংঙাইতবা থৌওং কয়া চথুখিবগী ভিদিও অমা ভাইরেল ওইরকখিবনি।

ভিদিও অদুদা মহমদকী মখুৎ অনীমক তুংদা পুন্দুনা থমখি। মহাক কার অমগী মনিং থংবা সিটতা মীওই অনীগী মরক্তা ফমখি। মহাক্কা ফম্মিন্নরিবা মীওই অনী অদুনা মমায়দা হঞ্জিন হঞ্জিননা খুৎপাক্লা থাবা ভিদিও অদুদা উখি।

অমরোমদা টালিবানগী ৱাঙাঙলোয় জবিহুল্লা মুজাহিদনা ফোঙদোকখিবদা কাজল মোহমদ কোমিদিয়ন অমা নত্তে। মহাক টালিবান ফাইটরশিংগী মায়োক্তা চথখিবা এটেক কয়াদা শরুক য়াখিবা মীওই অমনি। মহাকপু ফাদুনা থল্লবা মতুং মফমদুদগী নাম্থোক্লবা হোৎনখিবগা লোয়ননা টালিবান ফাইটর অমবু মহাক্না হাৎনবা হোৎনখি। মহাক পুলিসমেন অমনি অমদি মরাল লৈজদ্রবা মীওই কয়া শিহনখিবদা মহাক্কী খুৎ য়াওই হায়রি।

## ঙমখৈগী শরুক অমুক হন্না হাংদোক্লবা শেম শাখ্রে

রিয়াধ, জুলাই ৩০ (এজেন্সী) :
কোভিদ-১৯ পেন্দমিক্কা মরম ওইরগা থা ১৭ হেন্না থিংজিন্দুনা লৈরুরবা সাওদি অরবিয়াগী ঙমখৈগী শরুকশিং কোভিদ ভেক্সিন দোজ মপুং ফানা কাপ্লবা তুরিষ্টশিংগী ওইনদি অমুক হাংদোল্লগনি হায়না ষ্টেট ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোরক্লি।

অদুমওইনমক অথিংবশিং লৌথোকপগী মতাং অদুগা মরী লৈননা লাইনিং লাইশোনগী থবক থৌরমশিংদা থৱায় য়াওজবা মীওইশিংগী পুক্লিংবু মপুং ফানা চিংশিনবা ঙল্লিবা উমরাগী মতাংদদি রিয়াধনা ৱাফম অমত্তা ফোঙদোরকপা লৈত্রি। অমরোমদা মিনিষ্ট্রি ওফ তুরিজমনা লাউথোকখিবগী মতুং ইন্না সাওদি অরাবিয়ানা ফোরেন তুরিষ্টশিংগী ভিজাশিং সস্পেন্দ তৌখিবা অদু অমুক হন্না রিভোক তৌরগনি অমদি কোভিদ ভেক্সিন দোজ মশীং শুনা কাপ্লবা তুরিষ্টশিংগী ওইনদি মথং থাগী ১ দগী হৌরগা লৈবাক অসিদা চঙলকপদা অথিংবা লৈররোই হায়রি। অদুমওইনমক লম কোয়বা লাক্কদবা মীওইশিংনা কাপ্লিবা কোভিদ ভেক্সিন অদু সাওদিনা এপ্রুভ তৌবা ফাইজর, এষ্ট্রাজেনেকা, মোর্দনা নৎত্রগা জোন্সন এন্দ জোন্সন ওইগদবনি হায়রি।

## অফঘানদা ঈচাওনা মীওই ৪০ শিহনখ্রে, ১৫০ থিবা ফংদ্রি

জালালাবা, জুলাই ৩০ (এজেন্সী) :
অফগানিষ্টানগী অৱাং থংবা শরুক্তা থোকখিবা ঈশিং ঈচাওনা মরম ওইরগা মীওই ৪০ শিহনখিবগা লোয়ননা মীওই ১৫০ হেন্না থিবা ফংহনখিদ্রে হায়না ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

অফগানগী কোনুং কাবুলদগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুকতা কিলোমিটর ২০০ রোম চৎলগা লৈবা নুরিষ্টান প্রোভিন্সকী কামদেস দিষ্ট্রিক্টতা ঈশিং ঈচাওনা থৌদোক অদু থোকখিবনি। নুমিদাংগী মতমদা ঈচাও অদু থোরকখিবনা মরম ওইরগা মীয়ামদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্লহনখি হায়না প্রোভিন্সিয়েল কাউন্সলগী মকোক থোংবা সিদুলা নুরিষ্টানিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ঈচাও অদুনা মরম ওইরগা মীওই ৪০ শিহনখিবনি।

থৌদোক অদুনা মরম ওইরগা প্রোভিন্স অদুদা লৈবা য়ুম ৮০ রোম অমাং অতা থোকহনখিবগা লোয়ননা মীওই ১৫০ রোম থিবা ফংদনা লৈরি হায়না নুরিষ্টানিনা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মী শিবগী মশীং মখা তানা হেনগৎলকপা য়াবগী অকিবা লৈরে হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# ঈচাওগী রিপোর্ট লৌখিবা জর্নেলিষ্টশিংদা তাথি তাওইনা তৌরকখিবগী থৌওং কন্দেম তৌখ্রে



ৱাশিংটন, জুলাই ৩০ (এজেন্সী) :
চাইনাদা মীশি মীনা কয়া থোকহনখিবা ঈচাওগা মরী লৈননা রিপোর্ট লৌখিবা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংদা তাথি তাওইনা তৌরকখিবগী থৌওং অদু য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌখিবগা লোয়ননা থৌওং অদু য়াম্না ৱাখল্লোন য়াওদবা থৌওং অমনি হায়না য়ু এস ষ্টেট দিপার্টমেন্টকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা মমাং চয়োলদা সেন্ট্রেল হেনান প্রোভিন্সতা ঈচাওনা অচৌবা চৈথেং পীখিবা অদুগা মরী লৈননা বি বি সীনা ৱোদকাষ্ট তৌখিবা পাউ অমা বৈজিংনা শাশিন্নবা পাউনি হায়না মরাল শীরকখি। লোয়ননা জর্নেলিষ্টশিং অদুনা মীয়ামদা অরানবা পাউশন্দোক্লেহায়বগী মরালসু শীখি। হেনান প্রোভিন্সতা থোকখিবা ঈচাওনা পীখিবা চৈথেং মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম অমনি। অদুমওইনমক পিপলস রিপব্লিক ওফ চাইনাদা থবক তৌরিবা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংনা মীশি মীনাগা মরী লৈনবা পাউশিং ফোঙলি। অদুমওইনমক ফোঙলিবা পাউ অদু অচুম্বা নত্তে হায়না বৈজিংনা মরাল শীখি।

চাইনানা লৈবাক অদুদা থোক্লিবা থৌদোক ৱাথোকশিংগী মতাংদা মরিক চুম্বা পাউদম মালেমগী লৈবাকশিংদা তম্বা পামদ্রি। মসিনা মরম ওইরগা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংবু লৈবাক অদুদা লৈহন্দনবগীদমক তোঙান তোঙানবা থৌওং কয়া পায়খৎলি। চাইনা গভর্ণমেন্টনা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিং লৈবাক অদুদগী চৎখ্রে হায়না তাম্থোক্ত্রবসু মখোয়না তৌরিবা থবক থৌওংশিং অদুদি ফোরেন জর্নেলিষ্টশিং লৈবাক অদুদগী চৎখ্রে হায়বগা চপ মান্নে। মদুগী খুদম হায়ববু চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী ৱাঙাঙলোয় ঝাও লিজিয়ানা বি বি সীবু অরানবা পাউ শন্দোকপা কম্পনি অমনি হায়না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফোরেন জর্নেলিষ্টশিংনা লৈবাক অসিগী মিংচৎ থিহন্নবা হোৎনরি হায়না ফোঙদোকখিবা অসিনি।